# মণিপুরদা হোক্কিগী স্পোর্টস একাদমি অমা লিঙবদা ওলিম্পিক মেদল লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় শোইদনা পুথোকপা ঙমগনি



কে ঐচ প্রিয়োকুমার
(হোক্কি-ষ্টেট কোচ)

(হান্নগী মখা)

অদুগা ঐনা খঙজবদা, য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা হোক্কিগী কোচ ওইনা লৈবিরম্বসি অহানবদা ওজা শ্যামশুন্দর, মথংদা লৈখিদ্রবা ওজা শৌগ্বাইজম অজিৎ, ওজা ব্রোজেন, ওজা এন জি মোটিলাল, ওজা জি তোম্বী শর্ম্মা, লৈখিদ্রবা ওজা লাইশ্রম মুহিন্দ্রো হায়রিবশিং অসিনি। ঐহাকসু কুমজা ১৯৯৭তা হোক্কিগী কোচ ওইজরকপদগীদি সিনিয়র অহল-লমনশিং অসিগী মতুং ইন্দুনা কোচিং তৌবসি য়াওজরকখি। অঙাংশিং অসিদা কোচিং পীবা য়াওরকপদগী মণিপুর মচাশিংদা য়াওরিবা স্পোর্টসকী তোঙানবা স্কিমশিং অসিসু খঙবা ঙমজরকখি।

ঐখোয় মোঙ্গোলোইদ গ্রুপ্তা য়াওরিবা স্পোর্টিব ওইবা ক্বালিটি অসি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটতা লৈরিবা কাংলুপশিংগা খরা অদুম খেন্নে। বোদি কোন্টেক্ট গেম, ফাইটিংগী ওইবা মশান্না মখলশিং, অকল-অথৌগী ওইবা গেমশিং অসিদা মণিপুর মচাশিংগা হেন্না চাশিন্নগনি হায়বসি ট্রেনিং কোর্স চথজরিঙৈদসু পুক্লিংদা ফাওজরকখি। হোক্কি শান্নবা মতমদা মরু ওইনা চঙলিবা স্পিদ ইন্দুরেন্স অসি মৈতৈ মচাশিং ফজনা তৌবা ঙম্মী। মিনিট ১০দগী ১৫ ফাওবসিদা হায় স্পিদতা শান্নবা ঙম্বগী থৌনা ঐখোয়গী অঙাংশিংদা লৈ। তৌবসু ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা মোর্দন গেমগী শান্ন-খোৎনবদা খোঙদাবীরকপা মতমদা, হোক্কি-ফুটবোলসিদি অদুমক য়াওরকখি। চানবা খরা লৈবদুননি, ঐখোয়গী অহল-লমননা শান্নবিরকখ্রিবসি।

ঐগী ওইবা কোচিং এক্সপিরিয়েন্সকী মতাংদা খরদং পঞ্জরবদা, ইম্ফালদা কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ১৫দগী ১৮ ফাওবা তৌখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স গোল্ড কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট (অন্দর -১৪ বোইজ)তা মণিপুরগী টিম্না চেম্পিয়ন লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা "ফিফ নেসনল গেমস ১৯৯৯" অসিগী মতুংদা হোক্কি শান্ননিংবা চহী নৌরিবা অঙাং ময়াম অমসু থোরকখি। হায়রিবা অঙাংশিং অদুদা য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী আর সি সি হায়বা কোচিং অমা লাকখিবসিনা হোক্কিগী ওইবা বেসিক খরদি খঙহনবা ঙমখি। অয়ুক খুদিংগী চাং নাইনা চথখিবা হোক্কিগী কোচিংসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদগী হোক্কি পামজবা অঙাং ফনা য়াম্না লাকখি। অদুগুম্বা কোচিং লাইন্দুদা ইশামকসু কোচ ওইনা য়াওজদুনা হোক্কিগী অঙাং পুথোকপদা অঙম্বা থৌদাং লৌজরকখি। ঐহাক ইশাগী ওইনা শান্নজরিঙৈ মতমদুদা মশক থোকপা, শিংথাবা য়াবা পর্ফোমেন্স লৈখিদ্রগসু কোচ অমা ওইনা অফবা অঙাং খরদি ষ্টেটসিদগী পুথোকচগে খঞ্জরকখি। খরদং শিংথাবা য়াবা



অমা তৌখি। তুম্বা-চাবা, প্রেক্টিস তৌবগী টাইমিংসি ফজনা শেল্লগা নুমিৎ ৪৫নি তকখায়রকপসিদা ঐখোয়গী অঙাংশিংসি কয়া য়াম্না ফগৎলবগে হায়বদু ময়েক শেংনা উবা ফঙখি। মখোয়গী ষ্ট্রেঙ্ক ফজনা হেনগৎলকখি। অমগা অমগা অন্দরষ্টেন্দিংসু লৈনরকখি। টেক্নিক অমদি টেক্টিসতসু য়াম্না ফখি। ময়ামসি চপ মান্নরগা, থোং মান্ননা শান্নমিন্নখিবা অদুনা মায় পাকখিব্রা হায়নসু নিংই। শান্নরোয় হায়বসিদি মতাং মতম চানা ইনখৎপীরবদি অফবা রিজল্টসু ফঙবা তাবনি। খরা মখোঙ শেংনা, ময়াম চঙদুনা শেমখিবদগী মথং মথং অঙাংশিংদুসু অৱাংবা থাক্কী কৈরাক কাবসু ঙমখি। হৌজিকসু অদুমঙাই, হোক্কিগী একাদমি অমা থম্বীরবা মদুগা ইরোইননা জিম্নাজিয়ম অমা হাঙবীরবা চাং-নাইনা মখোয়বু শেন্নদুনা ট্রেনিং ফজনা হেক পিবিবদা মশক থোকপা প্লেয়র খরদি সুকশোই শোইদনা থোরক্কনি। একাদমি অমা হেক চল্লাইবা ঙম্বদা ঐখোয়গী অঙাংশিংসি মতিঙ লোইনা ফুদোরক্কনি। মদুগী খুদম হায়ববু, ঐখোয়না আর সি সিদগী বেসিক খরা তম্বীখিবা অঙাংশিং অসি ইন্দিয়াগী হোক্কি একাদমি অমদা হেক লৈখিবদা ফৎ-ফৎ অদুম হাইগৎলকই। শুপ্নগী চয়োল খরদা, থা খরদা মখোয় কয়াম ফগৎলবগে হায়বসি ইরাই লাইনা উবা ঙম্মী। হোক্কিগী একাদমি লিঙবদদি শুকচোপ চোপ্লোই হায়বসি হোক্কিগী কোচ অমা ওইনা থৌনা ফনা হায়জবা ঙম্মী। মথং...মথং...

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

ৱাফম অমত্তং পঞ্জরবদা, কুমজা ২০০৫দা মণিপুরদা 'সব জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ' অসি তাখি। হায়রিবা চহীসিদা মণিপুর টিমদা য়াওখিবা অঙাংশিং অদু অয়াম্বনা হোক্কিগী স্কিল ফজনা লৈখিবা ঙাক্তা ওইনা তৌখি। মদুগী সব জুনিয়র টিমদু ঐনা কোচ ওইনা পায়জখি। টিম মেনেজরনা এন জি মোটিলালনা ওইখি। হায়রিবা "সব-জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ" অদুদা ঐখোয়গী অঙাংশিং মায় পাক্লনবা হায়দুনা হোক্কিবু নুংশিজবশিং অমদি মণিপুর হোক্কি এসোসিয়েসননা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অঙাংশিং অদু থা অমা মখায় চুপ্পা রেসিদেন্সিয়েল কোচিং ইমপ্রুব লাকখি। সেদ্যুল ফজনা শেল্লগা হোৎনবসিদা অঙাংশিং অসিগী ওইবা মশা মশাগী হৈনজবা ষ্টাইলশিংসু মুন্না খঙবা ঙমহৌখি। কুমজা ২০০৫গী "সব-জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ" অদুদা মশক নাইনা শান্নখিবশিং অদুনি। হৌজিক হৌজিক হোক্কিদা কন্না ফাওরিবা মমিং লৈরিবসি চেম্পিয়নশিপ অদুগী ৱিন্নর ওইখিবা মণিপুর টিমদা য়াওখিবশিং অদুদি, কোথাজিৎ, চিংলেনসনা, শ্যামচান্দ, সুরেস, বোনিয়ম, অবুং, রোমেস, বিক্রমজিৎ, সুনিল ...... অসিনচিংবনি। অঙাংশিং অদুগী মতেং পাঙবা সবোর্দিনেট ষ্টাফসু মতমদুদা য়াম্না



# নাওমি ওসাকানা টোরে পান পেসিফিক ওপন ৱুমেন্স টেন্নিস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

ওসাকা, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী)ঃ

জপানগী সিটি ওসাকাদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৮২৩,০০০গী শেলগী মনা লৈবা দব্লীয়ু টি এ প্রেমিয়র কেটগোরি অমা ওইরিবা টোরে পান পেসিফিক ওপনগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৈবাক শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবী নাওমি ওসাকানা লৌখ্রে।

ঙসিশান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা নাওমি ওসাকানা রসিয়াগী শান্নরোয় অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভাগা লম্বা তৌনখি।

সেমি ফাইনেলদা ওসাকানা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ৬-৪, ৬-১দা থোইরমখি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভানা টুর্নামেন্ট অদুগী ৪শুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলি কর্বরবু ৬-৩, ৬-৩দা থোরমখি।



ঙসিগী ফাইনেল অদুগী অহানবা সেটতা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়াগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২, ৬-৩দা থোইদুনা মাংজিল থাখি। টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী দবলসতা চাইনিজ টাইপৈদগী পেয়র অনীনা লাম্বা তৌনখিবদা ২শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা এল চান অমসুং ঐচ চিননা এস দব্লয়ু সৈ অমসুং ৱাই সি সিবু ৭-৫, ৭-৫দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

সেমি ফাইইনেলদা সৈ অনীগী পেয়রনা য়ু এসকী এবিগেল স্পেয়র্স অমসুং য়ুক্রেনগী এন কিচেনোকপু থোইরমখি। অদুগা ঐচ চান অমদি এল চাননা সেমি ফাইনেলদা জপানগী দোই অমসুং হিবোনোবু থোইরমখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৩

১) মহাক ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক হভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা "International Socialism and Schumann Plan" কৌবা থেসিস অমদা রিছার্স তৌখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

২) ওলিম্পিক গেমসকী আইস হোক্কি শান্নবগী থৌরমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসি মেচ তরুক শান্নবদা তরুকমক পোখি। মখোয়না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে, ফিনলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১৪-১দা মায়থীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অমা চনখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৩) অমুতোম্বী সিংহ, মনিরতন সিংহ, প্রেমকান্ত সিংহ, জোতিমোয় রোয়, ধনেন্দ্র সিংহ, শান্তিকুমার সিংহ। পীরিবা ফুটবোলগা মরী লৈনবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মান্নদবা অমা খন্দোকউ।

৪) মিটর ১০০গী লমজেল তান্নবদা নুপা অসিনা ফার্স্ত তারিবা লমজেলোয় অদুগী মতম (তাইমিং) লৌই। অহানবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৩নি। অনিশুবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৪নি। করম্বা নুপানা পাইরিবা ঘরিগী মতমনা ওফিসিয়েল তাইমিং (Timing) ওইগনি।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নোংমৈকাপম স্রিদার্থকী পাঞ্জলনা ইন্দিয়াগা উজবেকিষ্টানগা ১-১দা দ্রো চৎতুনা এএফসি য়ু-১৬কী ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে



টাস্কেন্ট, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী)ঃ

উজবেকিস্তাননা য়ুম্বু ওইদুনা এসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী এ এফ সি (এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন) চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়রগী গ্রুপ 'বি'গী অরোইবা রাউন্দদা য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মণিপুর মচা নোংমৈকাপম স্রিদার্থনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা উজবেকিষ্টানগা শান্নবা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখিদুনা ফাইনেল রাউন্দগীমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল টাসকেন্টকী জে এ আর ফুটবোল ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী মাংওইননা ইন্দিয়ানা শান্নখিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা মেচ অনীম্মক মায়োক্লবা টিম্বু পাঞ্জল ৫-০/৫-০দা মায়থীবা পীদুনা য়াম্না ফজনা লাকখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী অমসুং ঙসি মখোয়গী লম্বা ওইখিবা উজবেকিষ্টানসু মখোয়না শান্নখিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা মেচশিং মায়পাকখি। অদুবু গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা মখোয়গী মাংজিল থাদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা মেচ অদু টুর্কমেনিষ্টানবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা মেচ অদুদা বহারেনবুসু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখিবনি। অমরোমদা উজবেকিষ্টাননা বহারেনবু ৩-১দা থোইরবা মতুং টুর্কমেনিষ্টানবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিমদা ষ্টাক প্লেয়র ওইরিবা নোংমৈকাপম স্রিদার্থনা ঙসিগী মেচ অদু য়াওদনা পুন্না পাঞ্জল ৪ চন্দুনা মহাক্কী টিমমেটশিংদগী মাংজিল থাদুনা লৈখি। মহাক্না হৌখিবা মেচ অনীম্মক্তা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি।

ঙসিগী গ্রুপ 'বি'গী অরোইবা ইন্দিয়াগী মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা দ্রো চৎলবসু ফাইনেল রাউন্দা য়ৌগদবা লৈরবনি। অদুবু টিম অসিগী কোচ বিবিয়ানোনা মহাক্কী শান্নরোয়শিংদা মখোয়না মমাংদা শান্নখিবা মেচশিং অদুগুম্না এটেক্কিং ওইবা মওংদা শান্নহন্নবা য়াম্না কন্না পাউটাক পীখি।

অমরোমদা উজবেকিষ্টানগী টিম্না ফাইনেল য়ৌবা ঙম্নবা ইন্দিয়াবু মায়থীবাপীবামথৌতাখি। মদুনামরম ওইদুনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা এটেক তৌশিনবগী চাং অদু ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মেচকী ৬৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়া শান্নরোয় স্রিদার্থনা পাঞ্জল অমা চনবা হৌখি। উজবেকিষ্টানগী ইস্লামোবনা ৮১শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা লৈনখি।

মখাতানা উজবেকিষ্টাননা ইক্বেলাইজর অদু ফংনবা হোৎনবদা মায়পাকপা ঙমখিদবদগী দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়া ফাইনেল রাউন্দগী ক্বালিফাই ওইখি।

# স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা নুপী অদুগা নুপাগীদা জপানগী কেন্তো মোমোতানা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টাইটল লৌখ্রে

শাংঝৌ, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী)ঃ

মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা কেটিগোরিশিংগী মনুংদা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা লৌখ্রে। অদুগা নুপাগী টাইটলনা জপানগী কেন্তো মোমোতানা ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা কেরোলিনা মারিননা চাইনিজ টাইপৈগী টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী টাই জু য়িংগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু টাই জু য়িংনা প্রেসর কা হেন্না মায়োক্লদনা ২১-১৪দা কেরোলিনা মারিনবু থোইখি।

মতম শাংনা মশা শোকপদগী শান্নবা য়াওরুদ্রবী কেরোলিনানা ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেম অদু য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা টাই জু য়িংবু নমথবা ঙমদুনা গেম অদু পোইন্ট ২১-১৭তা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু অমুক হন্না লম্বা মান্নরকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোয় অনীমক্কী মায়কৈদগী মায়পাক্তবা য়াদে হায়দুনা লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। পোইন্ট তান্ন-তান্নদুনা শান্নরকপা অদুনা পোইন্ট ১৬-১৮ মান্নদুনা লৈখি। অদুবু কেরোলিনা মারিননা থংনবা পোইন্ট ৩ লৌবা ঙমখিবদগী ২১-১৮দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গল ফাইনেলদা নম্বর ১ শান্নরোয় জপানগী কেন্তো মোমোতানা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় এন্থোনি গিন্টিংগা লম্বা তৌনখি। ফাইনেল মেচ অদুদা শান্নরোয় অনীমক হৌবদগী লম্বা য়াম্না মান্না শান্নরকখি।

অহানবা গেম অদু ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি গিন্টিংনা য়াম্না কন্না হোৎনরবা মতুং ২১-১৯দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাবা হৌখি। নম্বর ১ শান্নরোয় কেন্তো মোমোতানা সেমী ফাইনেলদসু অহানবা গেম মায়থীরবা মতুং চাইনাগী সেন লোংবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদা মোমোতানা এন্থোনিবু ২১-১৭তা থোইরবা মতুং অরোইবা দিসাইদিং গেমদা শান্নরোয় অনীম্মক অমুক্কা হেন্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। পোইন্ট ১৯-১৯ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্লগা কেন্তো মোমোতানা ২১-১৯দা মায়থীবা পীদুনা নুপাগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা নম্বর ১ শান্নরোয় মার্কস দিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়ানা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মুহম্মদ অসান অমসুং হেন্দ্রা সুকুলমোলজোবু ২১-১৮, ১৭-২১, ২১-১৫দা থোইরগা টাইটল ফংখি।

নুপীগী দবলসতা চাইনাগী পেয়র ৪শুবা সিদেদ সেন কিনচিং অমসুং জিয়া য়িফাননা জপানগী পেয়র মিসাকি মাটসুমোতো অমসুং অয়াকা তকাহাসিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৮দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

মিক্স দবলসতা চাইনাগী পেয়র অনী লম্বা তৌনখিবদা নম্বর ১ সিদেদ ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংনা অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র টুর্নামেন্ট অসিদা ২শুবা সিদেদ ওইখিবা ৱাং য়িলু অমসুং হুৱাং দোংপিংবু ২১-১৭, ১৩-২১, ২১-১৬তা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।





# ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর ফংখ্রবা অমিত পনঘলনা ওলিম্পিক্তা মীৎয়েং থমখ্রে



চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা য়েকাটরিনবর্গতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়শিপ্তা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারি অমা ইবা ঙমখ্রবা সিলভর মেদল ফংখিবা বোক্সর অমিত পনঘলনা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকী মীৎয়েং থম্বা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারিদা অমিত পনঘলগী মমাঙদা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা বোক্সরশিংনা ব্রোঞ্জ মেদলদগী হেন্না থাক ৱাংনা মেদল অমত্তা ফংঙবা ঙমখিদ্রিবনি। হরিয়ানাদগী হৌখিবা অমিত পনঘলনা ২০শুবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেলদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা উজবেকিস্তানগী বোক্সর সাখোবিদিন জোইরপকা লম্বা তৌনখি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৫২গী ফ্লাইৱেথ কেটগোরিদা শুপ্নগী ফুট ৫গী ইঞ্চি ২ খকৱাংবা অমতিপনঘলনা মঙোন্দগী হেন্না মরেপ ৱাংবা উজবেকিস্তানগী বোক্সর অদুগা লম্বা তৌনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী পোইন্ট স্কোর তৌবা য়াবা পঞ্চ কয়া য়াওখিদবদগী বাউট অদুগী জজ ৫না উজবেকিস্তানগী বোক্সর জোইরোবতা ফেবর হেন্না তৌখিদুনা ০-৫তা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংখি।

মহাক্কী মমাঙদা ইন্দিয়াগী বিজেন্দর সিংহ (২০০৯), বিকাস কৃষ্ণন (২০১১), সিবা থাপা (২০১৫), গৌরব বিধুরি (২০১৭) অমসুং মনিস পান্দে (২০১৯)না ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবা বোক্সরশিংনি।

# ইন্দিয়াগী কোনেরু হম্পিনা ফিদে ৱুমেন্স গ্রান্দ প্রি টাইটল লৌখ্রে

স্কোলকোভো, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী মোস্কোদা লৈবা বিজিসেন সেন্টর অমা ওইরিবা স্কোলকোভোদা পাঙথোকপা কুমজা ২০১৯-২০২০ ফিদে ৱুমেন্স গ্রান্দ প্রিগী শরুক অমা ওইরিবা অদুগী টাইটল ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পিনা লৌখ্রে।

থা অসিগী ১১দগী হৌখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী শান্নরোয় ১২না রাউন্দ ১১ লম্বা তৌনখি। ঙরাং ১০শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পিনা পোইন্ট ৭.৫ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোয় ১১দগী মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মহাকপু য়াম্না কন্না তান্নরকখিবা শান্নরোয় অদু চইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর জু ৱেনজুনি। মহাক্না ১০ শুবা রাউন্দদা পোইন্ট ৭ ফঙখি। ঙসি ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পিনা রসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কেটরিনা লাকনোগা শান্নখিবা ১১ অমদি অরোইবা রাউন্দ অদুদা দ্রো চৎপদগী পোইন্ট য়েন্নদুনা হম্পিনা পোইন্ট ৮ ফংখি।

অমরোমদা অরোইবা রাউন্দ অদুদা হম্পিগা পোইন্ট মান্ননবা চাইনাগী জু ৱেন জুননা মহাক্কী লম্বা অদুগা অমুবা মচু পায়দুনা শান্নরকপদা দ্রো চৎপদগী পোইন্ট ০.৫ ফংদুনা অপুনবা পোইন্ট ৭.৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় অলেনসেনগা গোরিয়া চিনানা পুন্না পোইন্ট ৬-.৫ ফংলগা অহুমশুবা তাখি। রসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় কেটোরিনাসু পোইন্ট ৬-৫ ফংখি। লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় ভেলেনিটনা গুনিনানা পোন্ট ৫.৫ অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় হরিকা পোইনন্ট ৫ ফঙখি।

# ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী দিপক পুনিয়া ফাইনেল শান্নবা ঙমখিদবদগী সিলভর ফংখ্রে

নুরসুল্টান, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী)ঃ

কজাকস্তাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা সিনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়া ফাইনেলদা খোঙনিং শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদবা মরম্না সিলভর মেদল ফঙহৌরে।

পনবা য়াই, দিপক পুনিয়া মমাঙদা কেদেট অমসুং জুনিয়রগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা রেষ্টলরনি। মহাক্না মহাক্কী করিয়রগী অহানবা সিনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং শরুক য়ারকপদা নুপাগী কিলোগ্রাম ৮৬কী ফ্রিষ্টাইল কেটগোরিদা থাংজ নুমিৎতা সেমি ফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

হৌখিবা থা ২ অসিদা হিরয়ানাদগী হৌখিবা দিপক পুনিয়ানা জুনিয়র ৱর্ল্ড টাইটল লৌদুনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৪শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি। অদুগা মহাক্কী অহানবা সেনিয়র লেভেল ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারকপদা কজাকস্থানদা পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সেমি ফাইনেল বাউট অদু মায় পাক্তুনা লোইশিনখ্রবা মতুং মহাক্কী ওই থংবা খোঙনিং লৈথেকখিবদগী চাওনা পোমদুনা চৎপা ফাওবা ঙমখিদবদনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক ঙরাংগী ফাইনেল বাউট অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। দিপক পুনিয়ানা ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং পুৱারিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্কী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা ৫শুবা রেষ্টলর ওইরি।